"মীওইবগী লমচৎপু মোৎলোইদবা কনা য়াওবগে।
য়েংবীয়ু মেরাগী থানিল অসিসু মায়হিং কারিবনি।" - হিজম গুণ (পোক্তবী লৈমা)

সেরেং

## নিংঙোল চাক্কৌবা নঙনা লাকপদা

—জয়েন্ত সরাংথেম

হে নিংঙোল চাক্কৌবা, নঙনা লাকপদা,
মচে-মচল, মবুং-মৌপ্পাশিংগী
মরী মরক্তা লৈনরিবা;
ওইরসনু হেন্না চেৎশিলহনবা।
থিদনা য়াম্মী য়ামদে,
থিদনা হাওই হাওতে,
পুরকপা হৈ-রাদা মচে-মচলনা,
পীবা খুদোল পোৎতা মবুং-মৌপ্পানা।
নিংঙোল চাক্কৌবনি কুম অমগী,
খূৎ থেক্তুনা ঙাইজরকপা নিংঙোলশিংনা;
ঙম্না নমহৎলসনু দখিনাগী লমজেলসু,
ওইরসনু থম্মোয়গী নিংঙোল চাক্কৌবা।
অমোৎপা চামথোকপগুম লাইজনা,
মচে-মচল, মবুং-মৌপ্পাশিংগী,
চামথোক্লসনু ফত্তবা থম্মোয়নুংদা লৈবা;
নিংঙোল চাক্কৌবা নঙনা লাকপদা।
থম্মোয়গী পেন্থোকপা নঙনা
পুল্লসনু অমুক হন্না মবুং মচলগী মরীসু;
নুংশিনা নোকমিন্নবা মীনোক্লা,
নীল্লসনু অতিয়া পক্লা;
নিংঙোল চাক্কৌবা নঙনা লাকপদা।
শাবী লাউ লাউ চৎসি লাউ
মাঙদা থারো লাউ;
শিংঙেল কৌসি কৌঙমদে
লৈরাং হায়সি হায়ঙমদে
ঈয়াইদা নদোম শাৎপবু
লৌনম চাউবশিংদগী কিবরা?
লৈশক্তা য়েংলে শুক্মৎয়াই
লৈচুদা ফংলে পূক্লিং হুনীংঙাই
অৰাৎপা মচেৎ'মা লৈত্রবী
থম্বালনি নহাক্তি নিংথিবী;
অয়ূক্কী য়েন্দা অঙনবদা
পাক্ল ঈশিং ঈমাইথক্তা
লৈকা ফন্না লৈশাৎ তম্বদি
মিৎফম হোংবা ঙমদেদো;
চীংগী খোইমু খ্বাংজেংবা
তমগী খোইমু খ্বাংনৌবা
ঙংনা ঙংনা পাইনরক্লে
লৈরাং লৈকা তম্নবু;
ফিরাল মমায় চুল্লিঙৈ
মরুপ ৰাৎতে মীরমলেন্দা
লৈরাংগী মগুণ শোন্নরি
শৈথাবা লেপত্রি তাইবঙনা;
কৎচগে ঙাক্লৌ খুয়াখাদা
তাইবঙ শেন্বীবা মপুগী
শকহেনবী লৈরাং নহাকপু
য়াইফবতা ওইনবা মতম পূন্বা।

## থম্মোয় পেন্না থা

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লাক্লে অমুক কুমওন
অমা লানখিদুনা
নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈ
নিংঙোলশিংনা মপাম
লমদম পাংন-থা।
হরাও তয়াম্না মবুং
মৌপ্পাশিংগা লোয়নরদুনা,
পন্থৌ মাঙ্গোল খেঞ্জোং-লাং
পলেম ওইবীশিংনা
মচা মশুশিংগা
হরাও মীনোক তমজবা।
থম্মোয় লকানুংদা
কয়াগী মতিক পেঞ্জবা,
কুমওন অমা ঙাইজরকখিবা
মীকূপ অসিনা লোইখ্রবদা,
কুমওন অমা অমুক ঙাইদুনা
লাক্লনি অমুক
হরাও মীনোক্তা লোয়ননা
নীনি পানবা হিয়াঙ্গৈ।

## মায়থোংদা মোমোন নোক্তুনা

— লৈশাংথেং প্রিয়া

ৰাহৈ খোনফম মেঙদুনা, ফজবা ঈশৈ লৈথোনবা হৈরবা
মপা চানা চানা লেঙশিল্লিবা, য়ানিংবা য়ানিংদবা অপাম পামদা
মোমোন নোক্লা মহুৎ শিল্লিবা, ৰাহৈদা খোইহি তৈরবা,
চিনবান্দা ঐগী মীগী নাইরবা, পুম্নমকপু চানবীবা ঙম্বা শক্তম
থম্মোয়দা 'ঐনা মহেল্লে' থল্লিবা, মোমোন নোক্লিবা নহাকপু
কন্দায় ফাওবা থিবা ঙমলসিগে, মনুং মপান নাইবা তইবঙসিদা। ?

## লাইরেম্বী অমদা

— অয়াম ইবেতোম্বী

লাক্লোদনা চান্নবী! লোন্না ইনাকসিদা
অহিংগী অচিকপবু থুগাইদুনা
নহাক্তবু লাইনীং ওইজরিবনি
থুগাইবিয়ু অচিকপা চান্মা-চান্মা
য়াকাইহল্লু ঐগী লকানুং
ফোঙদোকপা ঙম্নবা তাইবঙদা।
অহিং-নুংথিল খায়বীনু
লেংদনা লৈবীয়ু ইনাক্তা চান্নবী
নহাক্লবু লৈবিরবদা; তৌরম্বা শিন্থা থাদোক্লম
খোরিরোলগী লাচন চঞ্জগে
চরাংনবা নুংথিল মতমদা ওইদুনসু
নঙ-ঐগী ওইবা কাচিন অমা থিজগে
অউবা কনানা শেবাৎপীনি হায়জসনু
ইকায়বীদে ঐদি -মখোয়না করি খঙলদনা।
মালংনা লিরি হুল্লবা অয়ূক্তসু
খোঙদোয় হুল্লকউ তত্তনা ইনাক্তা
য়াহৌ অঙন তম, ওকচরমগে তরাম্না।

## লৈরাং থম্বাল

—ডা. অকোইজম ইবোহল

মমাঙ লৈকায় থম্বাল শাৎলে
খোইমুনা ইল্লে খোইরাবা

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯

১) *"থাপ্নরিবা"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২) **"মপারি লৈরাংতোন্দা শাৎপা শিংলেনতোন্দা পোকপা উনৌ কোন্দেল্ কোন্না হুন্ শলেন্ লাইফাও থিনবা, খোইয়ম লাইপোক শংশংবা চেংলৌ শক্লা হেনবা, পুনুং লিন্না ঙানবা, খোইয়ম লাইবু নীংবগী কোলোই মমিংথোংদি বৃষকেতু তৌনা কৌএ। বৃষকেতু ভক্ত ৰারী লমদাংশাংবু হয়া লাওনা শৈথিরক্লে।"** ৰাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোকপনো?
৩) বৃন্দাবনলাল বর্মাগী **"মৃগনয়নী'** হায়বা উপন্যাষ অসি মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?
৪) *"সীতা বনবাস"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৫) ***"মহাভারতকী শকুনি অমসুং শকুনিগী ৰাশক"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) য়ুম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (৩,৪,৫)
২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩)
৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৰাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৩)
৪) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৩)
৫) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
***৬) দোনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
৭) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৰাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪,৫)
৮) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩)
৯) লাইশ্রম এলেনা, তোপখোংনাংখোঙ - (১,২,৩)
১০) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,২,৩)
১১) অনন্দকুমার খুঞ্জামযুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
১২) ইবোচৌবা কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (২,৩)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৮গী ৱিন্নর*

***দোনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ২৮গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবী মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৮গী পাউখুম

১) *"জাতি কৌবী শকহেনবী/লৈরাংলক্তগী অথোইবী/পাম্মুবৈ চেংলৌ উবরা/নুজা ঐঙোন্দা তম্মুবা"* হায়বা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না তানরিবা অরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবা কনানো অমসুং করি দ্রামাদা শকখিবা ঈশৈনো? **:- হৱাইবম নীলমনি; দ্রামাগী মমিং : বসন্ত বিমলা (মতম ঈশৈ অমদি ঐহাক, অরিবম শ্যাম শর্ম্ম, লা:১০)**
২) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা ইরম্বশিংদগী খনগৎলগা মণিপুরীদা হন্দোক্লগা পুথোরকপা **"রবীন্দ্র লৈচল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অফোঙবগী মমিং হায়য়ু। **:- তথ্য অমসুং সংস্কৃতি লোয়শঙ, ত্রিপুরা সরকার, আগরতালা। (অহানবা ফোঙবা - মে ৯, কুমজা ২০১১)**
৩) ***"ইফেল টৱার মখোঙদা কংলৈ থোকপা"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- খুমন্থেম প্রকাশ; লমকোই ৱারীনি। (অহানবা ফোঙবা, কুমজা ২০১০)**
৪) ***"লম অসিদা লৈবা মরু মরু ওইবা চীংশিং অসিগী মরমদা তোপ্না তোপ্না ইরম্বা লাইরিক কয়া থেংনজে।"*** অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসিদগী খরমখৈ পুনশিল্লগা পুথোরকপা লাইরিক অদু করি লাইরিকনো? **:- 'চীঙ্গোইরোল' হায়বা লাইরিক অসিনি। সম্পাদন তৌবা : শ্রী নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ; (ৰাহৈ খরদং, লা: ১, অহানবা ফোঙবা, জুলাই ১৯৮২)**
৫) ***"লৈপাক্কী মুর্তি"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- ময়াংলম্বম কান্দেশ সিংহ; ৱারীমচা (অহানবা ফোঙবা, জুন ২০১২)**

মতম মতমগী ৱাখল

# CMAT-Theatre Festival

CMAT-Theatre Festival, 'চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেঙবাং' হায়বা মিংথোল অসি ফজে। মিংথোল অসিগী মখাদা লমদমসিগী আর্টিষ্ট অমদি মহৈরোইশিংদা শেন্থং পীবীদুনা মখোয়না তমজরিবা আর্টশিং, মহৈ অদুগা চান্নবা মথৌ তাবা পোৎলম লৈবদা মতেং পাংনবগী ওইনা তাঙ্কক অনী অহুম থোক্লা শেন্থোক ৰাজবা আর্টকী মহৈ তমজনিংবশিংদা ফংহনবা হৌখ্রে। তোঙানবা হীরমদা আর্টিষ্ট ওইজবা অহল লমনশিংদসু শেন্থং ফংহনবা হৌখি। মসি অফবা খোংথাং অমনি। চীফ মিনিষ্টর আর্টিষ্ট তেঙবাং অসি মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরগী মখাদা ফংহনবনি। অহল লমনশিং পাউ তাদবদগী নৎত্রগা খঙদবদগী ফংদবা আর্টিষ্ট কয়া লৈরি। মখা তানা তেঙবাং অসি লৈরগদি মথং মথং ফংলকখিগনি, পূমন্নক্কী অফবনি। যূমলোন্নবা অসামদা আর্টিষ্টশিংগী তেঙবাংগীদমক্তা ৱেলফেয়র ফন্দ অসাম সরকারনা থম্বীরি। মতৌ অসুম্না মখল মখা কয়াগী কলা সংস্কৃতিগী লমদা হোৎনজরিবশিংদা মখোয় মখোয়গী লৈঙাক্লা ফংহল্লিবা খুদোং চাবসি ইন্দিয়াগী ওইনা সাউথ, অমদি নোর্থ ইন্দিয়াদনা হেল্লি। ইন্দিয়াগী ষ্টেশিংদা লৈরিবা মালায়লম, টামিল, টেলেগু, কানারা, মরাঠি, গুজারাটি, কাশমিরীদা মখোয়গী রিজনেল লোলশিং অমদি কলা সংস্কৃতিশিং চাউখৎনবা লুপা ক্রোর কয়া থাদদুনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লি হায়বসি হন্দক পাংথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলগী থৌরাংশিংদগী হেন্না খঙবা ঙম্মী। অতৈ ষ্টেটকী মীয়াম্না হারাউনরবসু নোর্থ ইষ্টকী ওইনদি ওন্ন-তৈনরি। ইন্দিয়া চাউখৎপদা নোর্থ ইষ্ট চাউখৎতনা ওইথোক্তে হায়বসি ৰাহৈগা থবক্কা য়েংনবদা য়াম্না লাপ্না উই। ইচাদি মরম ওকই ঙম্মোক লৈবীনি হায়বদুগা মান্নবগুম ফাওই।

হৌজিক কাশমিরখক্তদা মখোয়গী লোল অমদি পূন্সি মহীং চাউখৎনবা হোৎনবদা অমদি লমদম অদুদা লাক্তুনা মখোয়গ মরী লৈনবা ফিল্ম নম্লবদা লুপা ক্রোর ২৫ পীরি হায়বা খঙবসু ঙম্মী। মসিদা তাক্লিবসি, ফিল্ম হায়বসি অচৌবা মেডিয়া অমনি। ফিল্মদা কাশমীরগী য়ুম্লে কৈরৈ, মখোয়গী লোল, নাৎ খূদিংমক উহল্লগদি টুরিষ্টশিংগী মীৎয়েং চঙলক্লবা, হেন্না লাক্লিংনবগী মফম উহনবগী শরুক য়াউরি হায়বসি মখোয়না খঙবগীনি। টুরিষ্টশিং লাক্লবগী ৱাখলসি ঐখোয়গী মণিপুরদা করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বা ঐখোয়গী টুরিজম ডিপার্টমেন্ট অসিনা খঙবা ৱাৎপদৌনা উরি। খঙলগসু শেল থুমগী অৱাৎপা লৈবনা পাংথোকপা ঙমদবনি হায়নসু খল্লসি । সঙাইগী লৈফম্নি, পোলোগী শান্নফম্নি হায়না খোঙ্গ্রাই নীক্লগা লৈবনা মণিপুরদা টুরিষ্ট চাউখৎপা য়ারোই। ফোরেন্নরশিংনা করি পাম্মী, টুরিষ্টশিংনা করি য়েংনিংলি হায়বা খঙবা চংঙি। মীৎকী কুম্মৈ ওইনা জগোয় রাস, পুং চোলোম, থাং তা খরা উৎপনা টুরিষ্টশিংগী মিৎ থকহনবা ঙমলোই। করিগীগীদমক ইন্দিয়ান পনোরামা, ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল হান্না কোলকটা, দিল্লিদা পাংথোকলম্বদগী গোৱাদা পাংথোকখিবনো? মসি টুরিষ্টশিংগা মরী লৈনবা অচৌবা মরম অমনি। ষ্টেটকী থাক্তা ফেষ্টিভেল অমা পাংথোকপা হায়বসি অরায়বা নত্তে। য়াম্না মরুওইবা থৌরাং, পোলিসি অমা চঙলি। চহীগী পাংথোক্তবা য়াদবা, কেলেন্দর ৱার্ক ওইনা শিনবদি কান্নফম খঙলোই।

হন্দক পাংথোক্লবা পাউ তারিবা CMAT-Theatre Festival অসি চুম্না মীয়াম্না খলহন্নিংদে। মণিপুরদা ফম্বাক লীলা, থিয়েটর ফেষ্টিভেল মশক থোক্লা পাংথোক্তবা কুইরে। লন্নাই থিয়েটরবু নুংশিজবা পামজবা কাঙলুপ খরনা, অপীকপা শেনফমদা শীল্লগা মরক মরক্তা পাঙথোকপনা অয়াম্বনি। মতম অমা ঙল্লিঙৈদা, থিয়েটর মিররনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগা লোইননা পাংথোকখিবা সোর্টপ্লে কম্পিটিসনশিং ঙসি মিৎতা উরকই। পাংথোকখিবা সোর্টপ্লে কম্পিটিসন অমদি ঙল্লিঙৈ মতম অদুগী মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী ইম্ফালনা পাঙথোকখিবা ড্রামা ফেষ্টিভেলশিং মদুগী চারা ময়াম্না অফবা আর্টিষ্ট, প্লেরাইট, ক্রিটিক, ডাইরেক্টর কয়া পুথোকপা ঙমখি। থিয়েটরগী কাঙলুপ কয়া লীংখৎনদুনা চাংয়েং লীলা ফজবা কয়া উখি। মণিপুরগী মীওইশিং নেস্নেল স্কুল ওফ ড্রামা, নই দিল্লিদা চৎতুনা তম্নীংবগী অপাম্বা লৈনরকখি, তম্নবা হোৎনরকখি। অৱাবা কয়া মায়োক্লরগসু তমখি। ঙসি তমজবা লোয়দুনা লাকচরিবশিংসু, মখোয়না হৈরুবা মহৈশিং লমদম অসিদদি মীচমগা চপ মান্নরি। অসুম্না ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী থিয়েটরনা মশক ওন ওন্দুনা লাকখি। ফম্বাক লীলাগী কাঙলুপশিং রুপমহলগী, আরয়ান থিয়েটর, এম ডি ইয়ু, সোসাইটি থিয়েটর অমদি অতৈ ইম্ফালদগী হায়দোকপদা লৈখিবা কাঙলুপশিংনসু মতম অমা শাফু কন্না অনৌবা ড্রামা কয়া পুথোকলমখি। সরকারগী লোইশঙশিংদা লৈরিবা থবক তৌজবশিংগী মরক্তগীসু লীলা ড্রামা হৈজবা, পামজবা য়াওখি। ডিপার্টমেন্টেল ড্রামা হায়দুনা ড্রামা কম্পীটিসন তৌরমখি। ড্রামা হৈবা থৱায় য়াওবা আর্টিশিং ডিপার্টমেন্টতা থবক ফাওবা তৌহন্নরমখি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা আর্টিশিংগী হিংনবগী মফম ফংলম্মী। লীলা ড্রামা হৈজরুবদগী থবক ফংজদুনা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুংদা পেনসন ফংদুনা হৌজিক ফাওবা চাজবা মচা মশু থবক তৌজহৌবা ঐখোয়না খঙজবা লৈখি। অসি য়ৌনা মতম অমদি ইকায় খুম্নবা ফংলমখি। অৱাবা কয়াসু লৈখি।

মণিপুরদা ফম্বাক লীলা, ড্রামা য়েংবীনবা মীয়ামগী মশীং হন্থরক্লে, মণিপুরদা ড্রামা য়েংবীনবা মী লৈত্রে হায়না মণিপুরগী ঠিয়েটরগী আর্টিষ্টশিংনা, ঠিয়েটরগী ক্রিটিকশিংনা হেক হেক পন্নে। চুম্মী, শাফু কন্না লেপ্তুনা অনৌবা প্রডক্সন পুথোকচরম্বা ইম্ফালগী ঠিয়েটরগী হোলশিং অনৌবা ড্রামা পুথোকপা কয়া তাখিদ্রে। লন্নাই কাঙলুপশিংসু মতম অমগুম্না মকা লাম্না লীলা পুথোক্লখিদ্রে।

মণিপুরদা ফম্বাক লীলা, ড্রামা শিথগনি হায়বসি ঐহাক্তি থাজবা ঙমদে। হৌজিকসু ড্রামা পামজবা নুংশিবীবা মী য়াম্না লৈরি। তৌবতবু মতম অমগুম নিংঙোল চাক্কৌবগী নঙনবা পুথোকপা লীলাদি মীয়াম্না য়াররোই। ঙসিগী মীয়াম আর্ট য়েংবা হৈরে, মহাউ নীংথিনা খঙলে। মতম চিন্নবা মরম্না অখন্নবা পুথোকপা লীলা ড্রামাদা ওইনা মিৎয়েং থম্নরে। মতমগী মমল খঙনা চৎনরে। ঠিয়েটরগী কাঙলুপশিংনা অসিগুম্বা ফিভম মওং অসি খল্লগা ড্রামা পুথোক্তবা য়াররোই। কোরস রেপরটোরি থিয়েটরনা, কলা ক্ষেত্রনা পুথোকপা অনৌবা ড্রামাদা য়েংবীনবা মী ৱাৎখিদে। ওজা পদ্মকুমারগী লিটরেচর অমদি ড্রামা ফেষ্টিভেলদা, খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রগী, ব্রজচান্দগী মিংদা পাংথোকখিবশিংদা মীয়ামনা চিক্লা চাইনবা ঙমদনা য়েংনখি। মসি অচৌবা খুদম অমনি। খরা থাক ৱাংনা পুথোকপা অদুগা মীয়ামদা য়েংবীনবা মাঙজৌননা চেপাউ মতম চানা পীবীরগদি মীয়াম্না শোয়দনা লাক্কনি। অখন্নবা থৌরম অমা ওইনা মমল লৈনা পাঙথোকপা মথৌ তারি। ঐখোয়না চেপাউ পীবা মতমদা মণিপুরগী অইবা অইবীশিং অসি মরুওইনা কাওবা য়াদে। মতম অয়াম্বদা ঐখোয়গী ড্রামাগী কাঙলুপশিংনা মণিপুরী খোরিরোলগী মীওইশিং শম্নদে মসি অচৌবা অশোয়বা অমনি। খোরিরোলগী মীশিংনসু ফম্বাক লীলাশিং অমদি অতৈ পরফোর্মিং আর্টশিং য়াম্না য়েংগনবা ৱাৎলি। য়েংহন্নবা হোৎনবা মথৌ তায়। মখোয়দগী ফজবা মতীং লৈবা স্ক্রপ্ট, ৱারী ফংগদবনি। অইবা অইবীশিংসু ড্রামা লীলাশিং উরগদি অনৌবা ৱাখল্লোন লাক্তুনা ইনিংবগী ৱাখল হেন্না পোক্কনি। মসিদি ক্রিয়েটিব ৱার্কনি। অইবা অইবীখক্কী ৱা নত্তে। থিয়েটরগী ওদিয়েন্সতি অরেপ্পা লৈতে, মীপূম খূদিংমক্কী ওইরিবনি।

ঐখোয়গী ঠিয়েটরগী কাঙলুপশিংনা অনৌবা ড্রামা পুথোকপা ঙমদবসি শেন থুমগী ফিভম চাদবা অমদি ভাবোক্লা পূক্লিং থৌগৎপীদবগীনি হায়নৈ। হন্দক CMAT-Theatre Festival হায়দুনা হৌদোকপীরকপসিনা মায় মিৎ খরদি পাঙলগনি। কয়াম্না মতেঙ পীবগে হায়বদি ফংজবশিংনা খঙলিগনি। ঙসিগী পুথোক্লরিবা ঠিয়েটর প্রডক্সন হান্নগা মান্নদ্রে। অনৌবা টেক্নোলোজি শীজন্নবা হৌনরে। শেন চঙবা হেল্লগনি। চাউখৎলকপনা পুরকপা অহোংবসিনা থায়নগী মচৎতা প্রডক্সন পুথোকপা য়ারোইদগী মচৎ অমসু থেংনরগনি। ঐখোয়গী লাইবক থীবা অমনা চন্দ্রকৃতি হোল নত্তনা অতৈ মশা নানবা ড্রামা উৎফম লৈতবসি অমনি। লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা চন্দ্রকৃতি হোল অসিদি মীচম্না ৱায়রগা শীজিন্নবদা অৱাবা খুদোং চাদবা কয়াসু ওইরি। মতম অমগী রুপমহল, আরয়ান, এম ডি ইয়ু, সোসাইটি থিয়েটরদি ফিভম চাদনা লৈনরি। মতমগা চান্নরক্তবনা মিউজিয়ম ওইনা থম্বা য়ারবা হোলসু ওইরক্লি। হৌজিক হোল অমমমসি লৈরকখিবগী, শারকখিবগী নুংশিবা ৱারী লৈনরি। হোলশিং অসিনা ফিভম চাদনা লৈবসি পূক্লিং নুংশিনিংঙাই ওই। অরীবা মণিপুরগী হোলশিং অসিমক্তং মশক থোকপা হোল ওইহনবা ঙম্লগদি অফবা ওইগনি। মরি লৈনবশিংনসু অরীবা চহী য়াম্লবা লন্নাই থিয়েটর হোলশিং অসি শেমজিনবীনবা পোলিসি অমক্তং হাপ্পীরগদি হেন্না কান্নগনি। কলচরেল পোলিসিদা মসিগী মফম লৈব্রা অখঙ অহৈশিংগী মীৎয়েং চঙহন্নীংলি ।

CMAT-Theatre Festival অসি মতম কুইনগী পাংথোকপা ঙম্নবা লেঙদবা ফন্দ অমা থম্বীরগদি মসিমসু কান্নবা ফংগদ্রা ? তেঙবাং অসিনা কান্নবা পীরিবসি সুপ্নতংগী থিয়েটরগী কাঙলুপশিংনা মাগী মাগী ঙমজবা থাক্তা অফংবা খরা অদুনা ওক্লবা শীনবা, ফেষ্টিভেল পাংথোক্লবা অদুনা ওইগদৌরিব্রা? CMAT- থিয়েটর ফেষ্টিভেল থম্বা অসিগুম্না মমি শাম্না উরিবা শুম্মাং লীলাগীসু CMAT-শুম্মাং লীলা ফেষ্টিভেল থম্বীরগদি শুম্মাং লীলা শান্নজরিবশিংনসু পেঞ্জগনি। লৈপাক্কী ওইনসু মমি শামথরক্লিবা পরফোর্মিং আর্টশিংনা শোন্থখিবসি নুংনাংবা ফাওই। ফেষ্টিভেল হায়বসি অমখক্লা য়ারোই, মখল মখলগী ফেষ্টিভেল কয়া পাংথোকপা ঙম্লগতদা পূন্না চাউখৎপা ঙমগনি। খ্বাইদগী লাইবক থীবদি ইশাগী লল ওইরিবা ঐখোয়গী আর্টফোমশিং ঐখোয়গী অঙম অথৌনা মশক খঙদ্রি, মসি খঙলবতদা টুরিষ্ট ফাওবা হেন্না লাক্লিংনবা মরম অমসু ওইগনি। লাক্কদৌরিবা লৈঙাক অসিদদি লমদমসিগী আর্ট এন্দ কলচর নুংশিবীবা অমত্তং য়াওরকপা ওইসনু ।

*—মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১১৯

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

*(হান্নগী মখা...)* "নহাক্কী মীং করি কৌই?"

"পিক্তু শাফবা।"

পব্লিক প্রোসিক্যুটর অদুনা মহাক্কী ৱা শেমদোরকই। পেসকরনা হায়, "ইবিয়ু, ছোতেলাল।"

পিক্তু শাফবনা মহাকপু তশেংনা য়াম্না পীকহনখ্রে হায়বগী মওংদা য়েংদুনা লৈরম্মী। অশাউবনা মতিন ফাওবা য়োৎশিন্দুনা খাঙই। অতোপ্পা ৱাহং অমনা, "অপোকপগী মীং করি কৌই?"

"কুসেহর।"

পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা অমুক হন্না শেমদোক্লদুনা 'কুসেহরপ্রসাদ।'

হন্দক্তি পিক্তু শাফবনা মহাক্কী মপাদা মচিন থিরগা চৈবগুম মমিৎ খানা য়েংলকই।

"করম্বা জাতিনো?"

"বাংমন।"

"বাংমনদা করম্বা?"

"ঐখোয় গঞ্জহেনি।"

"ফরে, অদুবু নখোয়গী খুঙ্গংগী মীংনা করি কৌই?"

"গঞ্জ।"

"করম্বা গঞ্জ?"

পিক্তু শাফবনা ফিংগৎলদুনা হায়, "মফম অসিদবু গঞ্জ চান্মা হেন্না লৈব্রা!" অদুগা ঙাইহাক লৈরগা হায়রকই, "শিবপালগঞ্জ।"

"ইশ্বরগী মীং পল্লগা ৱাশকউ, ঐনা হায়বা ৱাফম খুদিংমক চুম্না-চুম্না হায়গনি।"

"হায়রে।"

"হায়রে হায়বা নত্তে, চিন্না হায়য়ু, ইশ্বর পল্লগা ঙাঙবা-শকপা খুদিং চুম্না-চুম্না ঙাঙগনি হায়না।"

"চিন্দগী অদুমক হায়রবনি।"

মহাক কোর্টকী মায়কৈ তম্না য়েংলকই। ঙাঙন-শক্লরিবা অদু ঙাইহাক লেপখি। কোর্টনা পিক্তু শাফববু মুন্না য়েংই, মরেংবানদা কারিবা মসল, ষণগুম্বা মঙকশম, ময়া য়াওদবা শামু মচাগুম উই। অসোমদনা কোর্টতা ফল্লিবা মীওই অদুসু হৈশিংবা মীনি। মহাক্লা য়াথং অমা তাউথরকই, "ইভিদেন্সদা হায়য়ু, মপান্দা থোক্লগা মচিন তেংথোক্লগা লাকউ হায়না।"

"মপান্দা থোক্তুনা হান্না অমুক্তা নচিন তেংথোক্লগা লাকউ।"

পিক্তু শাফবনা ঙকশমদা য়াল্লিবা ফি অদুনা মচিন অদু তৈথোক্লকই। অদুগা চিংনবা লৈতনা দোগতা মখুৎনা পায়দুনা জহাজগী রেলিংদা লেপ্তুনা সমুদ্রদা লৈরিবা তিন-কাংশিং য়েংবগুম্না মহাক্লা য়েংলকই। কোর্টনা য়াথং পীরকই :

"ইভিদেন্স অসিগী মচিন শেংদোকহল্লু।"

পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা পিক্তু শাফবদা হায়, "মপান্দা থোক্তুনা ক্বাদু ওথোক্লগা লাকউ।"

পিক্তু শাফবদু তশেংনমক মতম অদুদা য়াম্না কনফিদেন্স অমগা লোয়ননা ক্বা শাইদুনা লৈরম্মী। মহাক্লা খল্লম্বনা মঙোন্দা হায়রিবদু মহাক্কী মশাদা য়াওজরিবা কনফিদেন্স অদু মপানদা লংথোক্তুনা লাকউ হায়না খল্লম্মী। মরম অদুনা মহাক্লা ৱাফম অদু তাশিন্নখিদবনি। অদুবু মহাক্লা ক্বা অদু তপ্না য়োৎশিন্দুনা অমুক হন্না মচিন অদু তৈথোকই।

কোর্টনা য়াথং পীরকই, "ইভিদেন্সপু ৱাশকহল্লু।"

কোর্টকী য়াথং তারবা মতুংদা নুপা অদুনা পিক্তু শাফবদা হায়, "ইশ্বর পন্দুনা ৱাশকউ, মফম অসিদা হায়গদৌরিবা ৱাফম খুদিংমক লোয়না অচুম্বা ঙাক্তা ঙাঙগনি হায়না।"

"অচুম-অচুম্বা হায়গনি।"

"ইশ্বর পন্দুনা ৱাশকউ।"

"ইশ্বর পন্দুনা ৱাশকচরি।" হায়না পিক্তু শাফবনা মমিৎ কোইরৈ-কোইরৈ য়েংদুনা ফৎ লাউনা হায়জিনখি।

পব্লিক প্রোসিক্যুটর অদুনা পিক্তু শাফবদা জোগনাথকী যূমদা থিবা-হুম্বা চৎথখিবগী মতাংদা ৱাহং হংই। মহাক্লা দারোগাজিগা লোয়ননা মহাক্কী যূমদা চঙখিবগী মতাংদা ফাওবা পাউখুম ওইনা মথং-মথং পীখিরম্মী।

"অমুক হন্না যূম অদুদা থিবা-হুম্বা চৎথখিব্রা?"

"হোয়।"

"করি-করি ফংই?"

"করিমত্তা ফংখিদে।"

পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা মকোক তম্না য়েংলকই। মহাক্লা খোঞ্জেল কন্না হংলকই, "ঐনা হংলিবসি যূম অদুদা থিবা-হুম্বা চৎথবদা করি ফংগে হায়বনি।"

"করিবু ফংগদৌরিবনো? করিসু লৈতনা।"

জোগনাথ অমসুং মহাক্কী উকিল মখোয় পুন্না নোকমিন্নে। তুংদগী সনিচরনা হায়, "ভেরি গুদ! অদুমক খাঙদুনা লৈয়ু।"

"লমহেনবা কনানো ৱা ঙাঙলক্লিবসি?" কোর্টনা য়াম্না সীরিয়স ওইনা খঙবা পাল্লম্মী। অদুবু মতম অদু ফাওবগী মনুংদদি সনিচর কোর্টকী রুমদগী মপান থোকখিরল্লে।

পব্লিক প্রোসিক্যুটর অদুনা হায়, "থিবা-হুম্বা চৎথখিবা অদুদা লিক অহুমদি ফংখি, মদু অদোমগী মাংদা থল্লিবা অসিনি।"

জোগনাথকী উকিল অদু চোংথোরক্তুনা মাংদা থোক্লকই অদুগা কোর্টতা হায়রকই, "শ্রিমান, মসিদদি ৱাহং হংগদবনি।"

পব্লিক প্রোসিক্যুটর অদুনা হায়রকই, "হুজুর, ইভিদেন্সকী মায়োক্তা লৈরে। ঐহাক মখা তানা মঙোন্দা ৱাহং চৎথবা পাম্মী।"

কোর্টনা সীরিয়স ওইরদুনা হায়, "মখা চৎথবিয়ু।"

থৌওং অদু জোগনাথকী উকিল অদুনা য়ানিংলমদে, "শ্রিমান, মসিগী এপ্লিকেসন অসিদি হান্না ইখ্রবা পোৎনি।"

"মদুনা করিমত্তা অহোংবা পুরকপা ঙল্লোই" হায়না কোর্টনা হৈশিংনা হায়রকই।

অদুবু অসোমদগীসু হীরম অদুগী মতাংদা করিগুম্বা খরা ৱা হায়বা মথৌ তারকখ্রে। পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা হায়, "হুজুর, মসিদি নুমীৎ খুদিংগী তৌবা থবকনি। কোর্টকী চৎনবিনি। তাঞ্জা খুদিংমক্তা হান্নদগী হৌনা অদুমক শেম শাদুনা লাক্লবনি।"

"ফরে, ফরে, অদোম মখা অদুমক চৎথবিয়ু।"

পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা পিক্তু শাফবগী মায়কৈ তম্না য়েংলদুনা মহাক্কী ৱাহং অমুক হন্না হংলকই, "হৌজিক নঙগী মাংদা লৈরিবা লিক অহুম অসি জোগনাথকী যূমদা থিবা-হুম্বা চৎথবদা ফংখিব্রা?"

মতম অদুদা পিক্তু শাফবা অদুসু কোইথোক্লা ৱা ঙাঙবা পামদবনা মহাক্লা হায়, "ঐদি ঙসাইনা অদুমক হায়খ্রবদুনি মদুদি জোগনাথকী যূমদা থিবা-হুম্বা চৎথবদা করিমত্তা ফংখিদে হায়না।"

পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা ফাইলদগী চে অমা লৌথোরক্তুনা হায়, "মসিগী চে অসিদা ইরিবা অসি জোগনাথকী মাঙ্গোলদা নহাক য়াওনা নঙগী মাংদা ইখিবা নৎত্রা?"

"ঐগী ইমাংদদি শুপ্নগী মচিন-থিনদুনা চৈ-ঙাঙনখিবা অদু নত্তনা ইবগী থবক তৌখিবদি উখিদে।"

"চে অসিদা নহাক্লা সাইন তৌব্রা? য়েংলগা হায়য়ু।"

পিক্তু শাফবনা চে অদু য়েংদ্রিঙৈদা মশা ফন্দোক্লদুনা হায়, "ঐনা সাইন তৌদে।"

পব্লিক প্রোসিক্যুটর অদুনা মহাক্লা লেপ্লিবা মফম অদুদগী পিক্তু শাফবদা সাইন অদু য়েংহল্লদুনা হায়, "য়েংউ, মুন্না য়েংউ। মসি নহাক্কী সাইননি।"

পিক্তু শাফবনা কোর্টতা হায়, "ঐনা অদুমক হান্না হায়খ্রবদুনি ঐঙোন্দা হন্না-হন্না ৱাহং করিগী হংবিরিবনো?"

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা